# মার্চ ৮ - ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্লবসু নুপী শিন্মীশিংদা মীওৎ -মীনৈ হেনগৎলক্লি

থাংজম বেদমনি
প্রসিদেন্ট, ৱার্কিং ৱিমেন ফোরম, মণিপুর

হন্দক ২০১৯গী মার্চ ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১০ শুবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগী থিমদি থিঙ্ক ইক্বেল, বিল্ড স্মার্ট, ইনোভেট ফোর চেঞ্জ হায়বদি মান্নবা খনবা, হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎনবা হোৎনবা অমদি অহোংবা (অওনবা) পুরকনবা ৱাখল্লোন পুথোকপনি।

ওল ইন্দিয়াদা ৱার্কিং ৱিমেন ফোরমগী ওইনদি হন্দক চহীগী পালন অসি ইন্টরনেসনল ৱার্কিং ৱিমেন্স দে হায়দুনা মরু ওইবা দিমান্দ অহুম- নুপীশিংগী ফংফম থোক্লবা রাইটশিং অমুক হন্না তানবা, শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটরশিংনা লৈবাক্কী লন-থুম ফোংনা লুট তৌরিবসিগী মায়োক্তা থেংনবা লোয়নননা হৌজিক পাল্লিবা ফেসিষ্ট বি জে পিগী লৈঙাকপু মায়থীবা পীবা হায়বসিদা পাঙথোক্কনি।

চহী খুদিংগী মার্চ ৮দা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডে (মালেমগী নপীশিংগী নুমিৎ) থৌরম পাঙথোক্লবসু ইন্দিয়াগী নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি অনৌবা অহোংবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। নুপীশিংবু কুমজা ১৯১০দগী ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডে চহী খুদিংগী মার্চ ৮দা পাঙথোকনবা ৱারেপ লৌখি। নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা, শেন্থোক হেনগৎহন্নবা, খুন্নাইদা নুপাগা থোঙ মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা অমদি লৈঙাক সাসন্দা থৌদাং লৌহন্নবা পান্দম অমগী মখাদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগী নুংগী ওইবা ৱাখল মীৎয়েং মলেমগী লৈবাকশিং চিংখদনা য়ৌহন্নবা কুমজা ১৯৭৬ - ১৯৮৫বু ৱিমেন্স ডিকেদ হায়বদি নুপী ওইবিশিংনা ময়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি নুপা অমসুং নুপীগী মান্নবা রাইটনচিংবা মরম কয়া খঙহন্নবা চহী ১০ চুপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংদা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন চঙশিনখি। ৱিমেন্স ডিকেদ পাঙথোকখ্রবা মতুংদা লেপ্তুনা পাঙথোকনরিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডে থৌরমশিংদগী চাওখৎপা ৱাৎলিবা লৈবাক কয়াগী নুপীশিং অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াদদি অহোংবা অওনবা উবা ফংখিদে।

কুমজা ১৯৭৫গী সেপ্টেম্বর থাদা চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা য়ু এন ওগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা নুপীশিংগা মরী লৈনবা অখন্নবা মীফম অমদা নুপীশিংবু লৈবাক্কী আইন শেম্বদা শরুক য়াহন্নবা ৱারেপ লৌবগা লোয়নননা ৱিমেন্স ডিকেদ মনুংদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমনবা অখন্নবা খোল্লাও পুথোকখি। কুমজা ১৯৭৯গী মীফমদা নুপীদা চথুবা মীওৎ-মীনৈ অমদি অতৈ ক্রাইমশিং থিংনবা ৱারেপ লৌখি অমসুং মেম্বর লৈবাকশিংনা ৱারেপ অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। তেল্লবা চহি ১০গী মনুংদা চাওখৎপা ৱাৎলিবা লৈবাকশিংদা নুপীশিংগী পুন্সি মহিংদা অহোংবা উবা ফংলবসু পৃথিবীগী ডেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউরবা ঐখোয়গী ইন্দিয়াদদি লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা অৱাংবা থাক্কী থবক তৌরবী নত্রগা ময়ুম পাল্লবী ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী মৌ নত্রগা মচা চেল্লবী মৌশিং লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা সিটিশিংদা মশা মতোমতা চৎপদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরি। মখোয়দসু নত্তনা অন-ওর্গনাইজ সেক্টরগী মখাদা লৈবী শিন্মী নুপীশিংনা নুপীদা চথুবা ক্রাইম মখল কয়া মায়োক্নরি। অন- ওর্গনাইজ সেক্টরদা লৈরিবা শিন্মী নুপীশিং থবক শুরগা ইমুং মনুং পুবনা মখোয়বু ৱার্কিং ৱুমেন হায়নসু খঙনৈ। ইন্দিয়াগী অপূনবা ৱার্ক ফোর্স ক্রোর ৪৫গী মনুংদা অন ওর্গনাইজ সেক্টরদা ক্রোর ৪৩ রোম লৈ। মসিগী চাদা ৪০ রোমদি নুপী শিন্মী (ৱার্কিং ৱুমেন) শিংনি। কুমজা ২০১১গী লোক সভা মীফমদা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরনা পুথোকপা রিপোর্ট অমদা শূ নোঙ্লিবা কাঙলূপ (ৱার্কিং ক্লাস) তা ৱুমেন ৱার্করশিং য়াম্না ফিভম শোক্না লৈ হায়না ফোঙদোখি।

ৱার্কিং ৱুমেন্না মায়োক্নরিবা করিনো? মখোয়দা নুপা শিন্মিগা মান্নবা খুৎশুমল পীবিদে। মখোয়বু থবক শুফমশিংদা ওৎ নৈরি। নুপী শিন্মী অদু চহী নৌরবা অমসুং মশক খরা ফজরবদি মহাক অদু মীহৌ চাউবা নুপা শিন্মীশিংনা শরাক তম্বী-মসিদি লৈবাক অসিগী মফম খুদিংদা থোক্লিবনি। মখোয়গী খুৎশুমল নেম্লবসু পুংশিং হেন্না অৱাবা থবক শুহল্লি লোয়নননা মেটরনিটি বিনিফিটকী খুদোংচাবা ৱার্কিং ৱুমেনগী চাদা ৯০দি মদুগী খুদোংচাদবা ফঙখি। মখোয়বু শিন্মীশিংনা য়ুনিয়ন য়াওবা য়াহন্দবগা লোয়নননা জোব সেক্যুরিটি পীবিদবা মরমদগী থবক্তগী লৌথোকপা মশিং য়াম্মি। মসিনি লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা মতম কয়াদগী খঙশিন্নদনা লৈরক্লিবসি। দুরদর্শন অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিওনচিংবগী নুপী পাউমী, কোরেস্পোন্দেটশিং মেটরনিটি বিনিফিটকী খুদোংচাবা পীদে হায়বসি ময়াম পূম্নমক্না তাবদা ঙক্না থোক্কনি। মখোয় মীরোল্লে তাক্লবদি থবক্তগী লৌথোকপীগনি নত্রগা করিগুম্বা খঙলবদি থাগী তোলোপ তানা পীগনি। অসিগুম্বা মওংশিংদু প্রাইভেট সেক্টর অমদি পব্লিক সেক্টরদসু চথনরি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা নুপী কন্ট্রেক্ট ৱার্কর লিশিং চা কয়া লৈরি অমসুং মখোয়দা মিনিমম ৱেজ পীবগা লোয়নননা প্রোভিদেন্ট ফন্দগী খুদোংচাবসু ফংহন্দে। লৈবাক অসিদা সোসিয়েল ৱার্কর ওইনা নুপী লাক্ষ ৫০ রোম অঙ্গনৱাদি অমসুং আশা ৱার্কর ওইনা শীজিন্নরি। মখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাউরবসু অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমগী থাগী ওনোরিরিয়ম লুপা ৩০০০ রোমতনি। খুন্নাইগী শোথরবা কাঙলুপ অসিবু থৌওইদা, কেবিনেট সেক্রেটরি অমগী থাগী তোলোপনা লুপা ৮০,০০০ পীরিবা করিগীনো? মসি অশোয়বা সোসিয়েল অনজষ্টিষ্ট অমনি।

লৈবাক অসিদা আশা ৱার্কর লাক্ষ ১০ রোম লৈ, মখোয়শিংদু মীরোল্লবী নুপী অমা হোস্পিটালদা পুরক্লবা য়াম্না পীকপা শেনফম পী। পুরকপা ঙমদ্রগনা পৈশা ফংদে। মিড-ডে-মিলগীদমক নুপী লাক্ষ তরারোম থাগী খুৎশুমল ওইনা লুপা ১০০০ খক্তং পীরি। অতোপ্পা ইমুংগী মতেং পাঙবা নুপী (ডোমেষ্টিক ৱার্কর) লৈবাকসিদা লাক্ষ ৪০গী মথক্তা লৈ। অদুবু মখোয়দু শেংলবা শিন্মী অমনি হায়না লৈঙাক্না মশক খঙবীদে। লৈঙাকসিনা নুপী ডোমেষ্টিক ৱার্করশিংদা থল্লিবা মীৎয়েং অসিদি য়াম্না অরানবা অমনি হায়না লৌফম থোকই। কুমজা ২০১১গী জুন থাদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই এল ও) গী ১০০ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ডোমেষ্টিক ৱার্করশিং মালেম্না শক খঙলবা ৱার্কিং ক্লাসকী, শিন্মী কাঙলূপগী শেংলবা শরুক অমনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রবনি।

কুমজা ২০১০গী মার্চতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স ডেগী খুদোল ওইনা মার্চ ৯গী রাজ্য সভা মীফমদা ষ্টেটকী এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টতা নুপীশিংগী চাদা ৩৩% রিজার্বেসন তৌনবা বিল অদু পাস তৌখি। লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিদা নুপীগী চাদা ৩৩ খকনা বিল অদু লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস, মতম মতমগী ওইনা শৌগৎপা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং মতমদুগী ওপোজিসন বিজেপি এমপিশিংগী মত খেন্নবা লৈবদগী নুপীগী বিল অদু নমশিন্দুনা থল্লক্লি। বি জে পি, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক দলনচিংবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা চাদা ৩৩ রিজার্বেসন তৌনবা ৱাফম অসিদা তোঙানবা অতোনবা ফুরুপশিংগী রিজার্বেসন খাক্লবা ৱাফম পুখৎনরকপদগী বিল অদু পন্দুনা লৈরবসু বিল অদু তুং কোয়বগী ওইনা নুপীশিংবু পোলিটিক্সকী লমদা খোঙদাবা ঙমহন্নবা, মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপদা থেংথহনখি।

অন- ওর্গনাইজ সেক্টরদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি, মিড-ডে-মিল ৱার্কর, ডোমেষ্টিক ৱার্কর, আশা, কন্সষ্ট্রক্সন অমসং এগ্রিকলচরেল সেক্টরগী নুপী শিন্মীশিংগী মিনিমম ৱেজ মতমগী মমলগা চাননা পীনবা হোৎনফম থোকই। নুপীশিংনা য়ুম অমা পুনবা হোৎনরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। মচা শেমবা হোৎনবদগী লৈত-লায়রগী অৱাৎ-অপা মেন্নবা, মচাশিংবু অনা অয়েক লৈহন্দনবা হোৎনবগী মথক্তা খুন্নাইগী থবক কয়াদসু শরুক য়ারিবনি। মখোয়শিংদো ৱার্কিং ৱুমেনকী মনুং চনবশিংনি। মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অহেনবা খুদোংচাবা পীবিবা হায়বসি তঙাই ফদবা অমনি হায়না লৌফম থোকই। লৈঙাক্কী লোইশঙ অমদি মরু ওইবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মশক নাইবা ফম কয়া নুপীনা পুবা য়াওরবসু অপূনবা নুপী মশিংগী শরুক মচেৎ খরখক্তনি। মশিং য়াম্লবা নুপী কাঙলূপ অমনা শোৎথনা লৈরগা, মশিং য়ামদবা শরুক খরনা নুংঙাই য়াইফনা হিংলগা নুপী খুদিংমক থোঙ মান্ননা চাওখৎলে হায়বদি লানগনি।

লৈবাক অসিদা অঙাং খুদিংমকপু শোয়ফদনা মহৈ তমহন্নবা রাইট টু এদুকেসন এক্ট চৎনহনখ্রে। মীয়াম্না আর টি ই অসিগী মখাদা নুপীমচাশিং ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা মহৈ মশিং তমহন্নবা অখন্নবা থৌদাং পায়খৎনবা লোয়নননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা অতাবা শেন্দোইদা লোন পীনবা হোৎনফম থোকই। নুপীশিংনা লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা অমদি শেন্থোক লম্বী মরাং কাইরবদি মখোয়সু খুন্নাইগী থবক থৌরমশিংদা মশক নাইবা শক্লোন লৌবা ঙমগনি। লোয়নননা মচা মশুশিং অফবা মী অমমম ওইনা শেম্বা ঙম্লক্কনি। পূম্নমক অসি শেলগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি, মরম অদুনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎননবা হোৎনবদা অন-ওর্গনাইজ সেক্টরগী মখাদা লৈবা নুপী শিন্মীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা চঙই। লোয়ালমগী নুপীশিংনা মশা ঈৎপা ঙম্না হিংবা ঙম্লবতদা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা পুখৎপা ঙমগনি, মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা নুপী শিন্মীশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংথীবশিং কোকহন্নবা হোৎনফম থোকই। থবক শুফম নত্রগা ফেক্টরি, কোল কারখানানচিংবা কয়াদা নুপী শিন্মী কয়াবু শারাক তমদুনা ইজ্জৎ খোঙোইনবগী থৌদোক মশিং লাকঙমদনা হেনগৎলক্লি। মশক মতৌ ফজবী চুং ফিরাল চাবী শিন্মীশিংদি হেন্না অৱাবা মায়োক্নরি।

নুপীদা চথুবা ক্রাইম মশিং য়াম্মী -অউনপোৎকী মিংদা শেনফম শুনা পীবা ঙমদবা ইমুং কয়াগী মৌনহা কয়া কেরোসিন নত্রগা পেট্রোল লৈজিন্দুনা মৈ থাদুনা হাৎপা, ওনর কিল্লিং হায়বা অনৌবা ক্রাইম মখল অমনা কাঙলূপ-ফুরুপ মান্নদবা পাখঙ লৈশাবীশিং লোন্না পন্সি লৈপুন শেমখিবশিং মমা মপাশিংনা থিরগা খায়দোকনবা য়াদ্রগনা মচাশিংবু তমথিনা ফু চৈদুনা পন্সি লোমহনবা থৌদোকশিং হৌজিক মতমগী ফোং-ফোং শারবা পাউশিং ওইরি।

নুপীশিংদা শাদগী হেনবা তমথিরবা শাজৎ কয়া চথরক্লিবসি ইম্পরিয়েলিষ্ট, গ্লোবেলাইজেসন অমসুং প্রাইভেটাইজেসন পোলিসিগা চাউনা মরী লৈনৈ। লন্নাই কম্পনি নত্রগা কোর্পোরেটশিংনা মখোয়গী পোত্থোকশিং শেন্দোং লৈবা অথুবা মতমদা য়োনবা ঙমবা নুপীশিং ফি মচেৎ থোংবা শক্তম উত্তুনা লম্বী সড়কতা অচৌবা হোর্দিং থেৎতুনা এদভর্টাইজ তৌবগা লোয়নননা ইলেক্ট্রোনিক্স চেন্নেলশিংদসু নুপীগী মফি শুনা থোংদবা শক্তম্বু লেপ্তুনা এদভর্টাইজ তৌরি। মসিনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মোরেলদি তুরা তুনা শোকহল্লে।

থবক ফংদবশিংগী থবক পীনবা লন্নাই হাংবা কোল সেন্টরশিংনা শেন্থোক নেম্বা ষ্টেটশিংদগী লৈশাবী তনৌ তনৌবী কয়া অচৌবা সহরগী ইনাক খুনবা ইমুংশিংদা দোমেষ্টিক ৱার্কর ওইহন্নবা পুবীখ্রগা ওক্ত শঙদা ললোনপোৎ ওইনা মশানা য়াদনা য়োন্থোকপা, পীক্লিবী নুপীমচা কয়া মিশন স্কুলশিংদা লেম্না মহৈ তমহন্নবা পুখ্রগা সেক্স ৱার্করশিং ওইনা শেমগৎপীরে। খরনা চাইল্ড প্রোনোগ্রাফি ফিল্মদা মশানা য়াদনা য়াওহনবা থৌদোক তোইনা থোক্লি। মসিদসু নত্তনা প্রোনোগ্রাফিগী সিডি কেসেটশিং সহর অমসুং লোয়ালমশিংদা অথিংবা য়াওদনা মরাং কায়না ফংবনা লম্বীদা নাইতোম চৎপী নত্রগা থবক শুফমনচিংবশিংদা শিন্মী নুপীশিংদা তমথিবা শাজৎ চৎখৎলক্লি। অসিগুম্বা তমথিরবা ক্রাইমশিং থিংনবা হোৎনবদা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা লৈবা ৱুমেন্স কমিসনশিংগী মীহুৎশিংনা মীশিং নাশিংনা লৈনবা হোৎনফম থোকই। কম্যুনিষ্ট ক্যুবানা নিংতম্লবা মহাক্কী মীফম সেক্সন পূম্নমকপু লাইরিক তমহন্নবা পান্দম তেল্লবা মতমদা মপুং ফাহনবা ঙমখিবা অদুগুম্না ইন্দিয়াদসু মীপুম তিংনা মরু ওইনা নুপীশিংবু মহৈ তমহন্নবা থৌরাং পায়খৎফম থোকই। মলেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালন পাঙথোকপদা ফুরুপ-কাঙলূপ কয়াগী নুপী শিন্মীশিংনা শরুক য়াবা হেল্লক্লিবসি অওনবা ঈচেল অমনি। মখোয়না নুপী ওইবীশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্লবা অপূনবা শক্তি শাগৎপা ঙম্লবতদা হৌজিক খৌরাংনা ঙায়নরিবা এসেমব্লি অমদি লোক সভাদা নুপীগী সিট ৩৩% খাক্লবা বিল অদুদগী নুপী লেজিসলেটর মশিং য়ামখৎলক্কনি অমসুং থেংনরিবা নুপীশিংগী সমস্যাশিং হন্থরক্কনি। অপূনবগী শক্তিনা শিন্মী নুপীশিংনা হক্কীদমক ট্রেদ য়ুনিয়ন শেমদুনা মালেমদা নুপীশিংগী নুমিৎ থৌরম্না পাল্লিবা পান্দম ফংনবা হোৎনরসি। ।

মমি ৱারী


## 'ইল্লুষ্ট্রেসন' -২


### বিভাশ











পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।